# পেরুদা এন্টি গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্ট লেপত্রি
# খা থংবা লমদমদা পুলিসকা খুৎ থোক্লবদা মীওই ১৭ শিখ্রে



রিমা, জনুৱারী ১০ (এজেন্সী):
পেরুগী খা থংবা লমদমদা পুলিসকা খুৎ থোক্লবদা যামদ্রবদা মীওই ১৭ শিখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী হ্যুমেন রাইটস ওফিসনা নিংথৌকাবগী অথেংবদা ফোঙদোকখ্রে।

মদু হৌজিক ফাওবদা পেরুদা মীখল ঙন্না পাঙথোক্লবা অমসুং জেলদা থল্লিবা হান্নগী প্রসিদেন্ট পেদ্রো কাষ্টিলোবু থাদোক্লবা তকশিল্লদুনা চথরকখিবা প্রোটেষ্টশিংদা খ্বাইদগী শাথিবা নুমিৎনি হায়রি।

পেরুগী খা থংবা লমদম পুনোগী হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল হেনরি রেবাজানা ষ্টেটনা চল্লাইবা টেলিভিজন চেন্নেল টিভি পেরুদা ফোঙদোকখিবদা লমদম অদুগী লেক টিটিকাকাগী মপানদা লৈবা সিটি অমা ওইরিবা জুলিয়াকাদা প্রোটেষ্টরশিং অমসুং পুলিসকী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবদা মীওই ৬৮ অশোক অপন নঙখি।

পুলিসকা খুৎ থোক্লবদা শিখিবশিং অদুগী মনুংদা যামদ্রবদা টিনেজর অনী য়াওই হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি। পুনোগী রিজনেল হেদ দিরেক্তর ইস্মাইল কোর্নেজো লোকেল রেদিও ষ্টেসন আর পি পিদা ফোঙদোকখিবা মতুংদা হকচাং খরদি নোংমৈনা পানবগী মফমশিং লৈ।

হান্নগী প্রসিদেন্ট কাষ্টিলোনা লোনা য়াদবা মওংদা কংগ্রেস মুথৎনবা হোৎনখিবা মতুং মতম ইশাং শাংনা কান্নদনা মহাকপু ফাবগা লোয়ননা মফম লৌথোকখিবা মতুং হৌখিবা দিসেম্বরগী অঙনবা শরুক্তগী লেপ্তুনা চথরক্লিবা প্রোটেষ্টশিংদা ইনৌ নৌনা শিরিবশিং অসি থারগা লৈবাক অসিদা এন্টি গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টরশিংগা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খুৎ থোক্লবদা শিখিবা মী মশিং ৩৯ শুরে। লান হৌবগী মরালদা থা ১৮ প্রি-ট্রাইয়েল দিটেন্সন তৌদুনা থল্লিবা কাষ্টিলোনা মঙোন্দা শীরিবা মরালশিং য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবনি।

রেবাজানা পেরু টিভিদা মখা তানা হায়খি, মদুদি প্রোটেষ্টরশিংগা খুৎ থোক্লবদা শিখিবা পুলিস ২৮ জুলিয়াকাগী এয়রপোর্টতগী পুথোকপা ঙমদনা লৈরি। প্রোটেষ্টর লিশিং কয়ানা এয়রপোর্ট অদুদা অমদি পুলিস ষ্টেসন অমদা লান্দনবা হোৎনখি হায়না পেরুগী প্রাইম মিনিষ্টর অলবার্টো ওটারোলানা ফোঙদোকখি।

জুলিয়াকাদা এজেন্সিগী ৰিটনেস অমনা রেকোর্দ তৌখিবা ফুটেজতা প্রোটেষ্টরশিংনা অচৌবা মেটাল প্লেটশিংগী মরুমদা থুপ্পনবা হোৎনবগা লোয়ননা লম্বীশিংদা নোংমৈ কাপ্পা অমদি শক্তমশিং উবা ফংখি। মখোয়না পুলিসতা স্লিং-সোর্টশিং শীজিন্নদুনা নুঙনচিংবা অকনবা পোৎশকশিং কাপশিনখি। অতৈ ফুটেজতা লৈমায়দা লেঙদনা তাদুনা লৈরিবা মফি মরোল ঈ তৈরবা নুপা অমদা মীওই কয়ানা সিপিআর পীবা অমদি মী চিল্লবা হোস্পিটাল অমগী কা অমদা অশোকপা কয়াবু য়েংশিনবগী শক্তমসু উবা ফংখি।

মশক মমিং ফোঙদোক্তবা নুপী অমনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি মখোয়গী মরী মতা অমা নক্লনা লৈবা মরুপ অমা মখোঙনা চৎমিন্নরিঙৈদা নোংমৈনা পানখি। ওম্বুসমেন্ট ওফিস হায়রগা খঙনবা পেরুগী হ্যুমেন রাইট ওফিসনা পুলিসতা ফোর্স শীজিন্নবা মতমদা ইন্টরনেসনেল ষ্টেন্দর্দ কমপ্লাই তৌনবা তকশিনবগা লোয়ননা প্রোটেষ্টতা শিরিবশিং অদুগী মরমদা কুপ্পা থিজিন্নবা দিমান্দ তৌখি। ওফিস অসিনা প্রোটেষ্টরশিংদসু প্রোপর্টিদা এটেক তৌদনবা অমদি এম্বুলেন্সশিং চথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা পীদনবা তকশিনখি।

# ইরানগী কোর্ট অমনা মখা তানা এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্ট অহুমসু শিবগী চৈরাক পীখ্রে

টেহরান, জনুৱারী ১০ (এজেন্সী):
দেমোন্সট্রেটরশিংবু তমথীবা মওংদা লাকশিন্নবা হোৎনবগীদমক মালেম পুম্বনা চৈ থাংবা হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা ইরানিয়ন কোর্ট অমনা শেম্বীবা মপুগী মায়োক্তা লান হৌবগী মরালদা এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টর অহুম অমসু শিবগী চৈরাক পীখ্রে হায়না মির্জা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৬ তা মশাগী চহী ২২ শুরবী কুর্দিষ্ট ইরানিয়ন নুপী মহাশা অমেনি শিখিবদগী লৈবাকশীন থুংনা চথখিবা প্রোটেষ্টশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সকী মেম্বর অমা হাৎখিবগী মরালদা ইরাননা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা নুপা অনী হেঙ তৌখ্রবনি। প্রোটেষ্টরশিং অদুবু মরাল কয়া শীজিন্দুনা হাৎখিবা অদুবু ইয়ু, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং নোংচুপলোমগী লৈবাক কয়ানা কন্দেম তৌনখি।

ইরানিয়ন ওথোরিটিশিংনা হাৎখিবা মীওই অনীদুগী মনুংদা অমদি নেসনেল টাইটল ফঙখ্রবা করাটি চেম্পিয়ন অমনি। মিজানগী মতুং ইন্না ইরানগী সেন্ট্রেল সিটি ইস্পহানদা গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট চথরিঙৈ মনুংদা ভোলুন্টিয়র বাসিস মিলিসিয়াগী মেম্বরশিং হাৎখিবগী মরালদা কনভিক্ট তৌখিবা সালে মিহাসেমি, মজিদ কাজেমি অমসুং সায়িদ য়াগৌবী হায়রিবা মীওই অহুম অসিনা মখোয়গী ভর্দিক্টশিং অদুগী মায়োক্তা কোর্টতা আপিল তৌগনি।

এলিট রিভোলুসনরি গার্দসতা এফিলিয়েট তৌবা বাসিস ফোর্সেস অসি ইরানিয়ন গভর্ণমেন্টগী অকনবা রুলশিংগী মায়োক্তা চথরিবা প্রোটেষ্টশিং লাকশিন্নবা ষ্টেটনা হোৎনরিবা অদুদা মাঙজিল থানা থবক তৌরক্লিবনি। দেমোন্সট্রেটরশিংবু শিবগী চৈরাক পীবগীদমক পোপ ফ্রান্সিসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইরানবু কন্দেম তৌখি।

ফ্রান্সিসনা হায়খি, মদুদি মখা তানা শিবগী চৈরাক চৎনহল্লিবা মফমশিংদা হিংবগী রাইটতা অকিবা পীদুনা লৈরি। অসুম্না হিংবগী রাইটতা কিহনবগী থৌওং অসি হৌজিক্কী মতমদা ইরানদা কন্না চথরি।

নুপীগী দিগ্নিটিবু হেন্না ইকায় খুম্ননবা তকশিন্দুনা দেমোন্সট্রেসন চথরিবশিংবু অসিগুম্বা শাথিরবা চৈরাক পীবা হায়বসি চুমদে হায়না ফ্রান্সিসনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৭৯ গী রিভোলুসন মতুংদা ইরানগী ক্লারিকেল লিদরশিপ্পু খ্বাইদগী থৌনা লৈনা শীংনরকখিবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা প্রোটেষ্টশিং অদুদা ইরানিয়ন সেক্সন খুদিংমক্না শরুক য়াখিবনি।



# য়ুএসকী দিমোক্রেটিক ওফিসলশিংগী ওফিস নত্তগা ময়ুমদা নোংমৈ কাপখিবা মীওই ফাখ্রে

ৱাশিংতন, জনুৱারী ১০ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ন্যু মেক্সিকো ষ্টেটকী খ্বাইদগী চাওবা সিটি অলবুকিবতা দিমোক্রেটিক ওফিসলশিংগী ময়ুম নত্তগা ওফিসশিংদা নোংমৈ কাপখিবগী থৌদোকশিংগী মনুংদা অমদা চেন্নবনি হায়বা নুপা অমা ফারে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

চহী ৫০ য়ৌদ্রিবা মশক মমিং পনখিদবা সস্পেক্ট অদু কেস অমত্তগা মরী লৈননা হৌনবী মতুং ইন্না চার্জ তৌবা লৈতে হায়না অলবুকেক পুলিস দিপার্টমেন্ট (এপিদি) না ফোঙদোকখি।



নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা এ পি দিগী চীফ হেরোল্ড মেদিনানা ন্যুজ কনফরেন্স অমগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, এ পি দিনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং অদুগী মনুংদা অমগা মরী লৈনবা নোংমৈ অমা রিকোভর তৌখি। হৌজিক ঐখোয়না করম্বা কেসশিং অমগা অমগা মরী লৈনবগে নত্তগা অতৈ কেসশিংনা অমগা অমগা মরী লৈনদবগে হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনরি।

অহেনবা ইনফোর্মেসন ফঙদ্রিবা ফাওবা অমদি হৌজিক লৈরিবা ইভিদেন্স কুপ্পা য়েংশিনবা লোইদ্রিবা ফাওবা ঐখোয়না অহেনবা ইনফোর্মেসন লৌখিগনি অমদি ঐখোয়গী ৱারেন্টশিং হল্লকপা ঙাইখিগনি হায়না মেদিনানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নিংথৌকাবগী অঙনবদা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ন্যু মেক্সিকোগী হাউস স্পিকর ওইগদৌরিবা দিমোক্রেটিক রিপ্রজেন্টেটিব জাবিয়র মার্টিনেসকী য়ুমদা দিসেম্বরগী অঙনবদা থোকখিবা তরুকশুবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্কী মতাংদা থিজিল্লি হায়না এ পি দিনা রিপোর্ট তৌখিবনি।

মার্টিনেস য়াওনা কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বর অমসুং কুমজা ২০২৩ গী জনুৱারী ফাওবদা দিমোক্রেটিক ইলেক্টেদ ওফিসল তরুক্কী য়ুমশিং অমদি ওফিসশিংদা নোংমৈ কাপশিনবগী থৌদোকশিং থোকখি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং অদু অমগা অমগা মরী লৈনৈ হায়বসি ঐখোয়না হৌজিক ফাওবা চপ চানা খঙদ্রবসু পুলিসকী মায়কৈদগী নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক খরদি অমগা অমগা মরী লৈনরম্বা য়াবগী লংলা লংজিন ফঙলে হায়না ফোঙদোরকখি। অদুম ওইনমক মেদিনানা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি সুটিংশিং অদুগী মোটিবকী মরমদা পন্দুনা ঙাওবা খরা ঙনমল্লি হায়খি।

মহাক্কী মতুং ইন্না দিমোক্রেটিক ওফিসলশিংগী য়ুমশিং নত্তগা ওফিসশিংদা টার্গেট তৌদুনা চথখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং অদু খরা কুপ্পা থিজিনবা মথৌ তাই।

# ইন্দোনেসিয়াদা মেগ্নিট্যুট ৭.৫ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে, সুনামি এলার্ট ইস্যু তৌখ্রে

জকারটা, জনুৱারী ১০ (এজেন্সী):
লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইন্দোনেসিয়াগী মালুকু প্রোভিন্সতা রিক্টর স্কেলদা ৭.৫ য়ৌনা য়ুহা কন্না হাখিবদগী নিকখিবগা লোয়ননা ওথোরিটিশিংনা সুনামি এলার্ট ইস্যু তৌখ্রে।

ওথোরিটিশিং পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, য়ুহা অদু লোকেল মতমদা ১২.৪৭ এএম তাবা মতমদা মালুকু টেঙ্গরবরাট (কেপিলাউন টানিম্বার) দিষ্ট্রিক্টকী অৱাং নোংচুপতা কিমি ১৪৮ লাপ্পা অমদি সমুদ্রগী খোঙনুং মখাদা কিমি ১৩১ লূথবা মফমদা ইপিসেন্টর ওইদুনা হারকখিবনি। য়ুহা অদুনা মরম ওইদুনা অনকপদা লৈবা প্রোভিন্স কয়াসু নিকখি। ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না মপুং ওইবা য়ুহা অদুগী মতুংদা খরা ৰিক ওইবদগীনা মোদরেট লেভেল ফাওবগী ওইবা আফটর সোক অহুমসু থোকখি।

দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা চেকশিন থৌরাং অমা ওইনা সুনামি থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈবদগী মালুকুগী রেসিদেন্ট ২০০০ খরা ৱাংবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে। মালুকু অমসুং সাউথ ইষ্টকী অনকপা প্রোভিন্স সুলাৱেসিগীদমক্তা সুনামি এলর্ট ইস্যু তৌখি। য়ুহা অদুনা মরম ওইদুনা য়ুম অমদি বিল্ডিং কয়া অমাঙ অতা থোকখি হায়বসি ওফিসলশিংনা কনফার্ম তৌখ্রে। অতোপ্পা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওফিসল অমগী মতুং ইন্না বিল্ডিং খরদি ময়ি চৎখি অমদি অতৈ বিল্ডিং কয়া নিংখায়খি। য়ুহা অদুগী চৈথেং চপ চানা খঙদোকপা ঙম্নবা এসেসমেন্ট অমা পাঙথোক্লগনি হায়না ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা শোকপা নত্তগা শিখিবগী রিপোর্ট ফঙবা লৈতে হায়বা ৱাফমসু ওফিসল অসিনা এজেন্সিনা ফোঙদোকখি। ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না ইন্দোনেসিয়াগী মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা সুনামি থোক্লকপা য়াবগী ফিভমশিং খন্নদুনা দ্রিল কয়ারক হন্না পাঙথোকখি। অদুনা য়ুহা কন্না হারকপা মতমদা রেসিদেন্টশিং সমুদ্র মপানগী লমশিং থাদোক্তুনা খরা ৱাংবা মফমশিংদা চঙশিলহনখি। মমাঙদা ইন্দোনেসিয়াদা সুনামি থোকখিবসি কুমজা ২০০৪ দা ইন্দিয়ন ওসিনদা য়ুহা হাদুনা অচৌবা সুনামি অমা থোক্লকখিবা মতমদনি। কুমজা ২০০৪ গী দিসেম্বর ২৬ তা ইন্দোনেসিয়াগী অৱাং থংবা সুমত্রাগী নোংচুপথংবা সমুদ্র মপানগা নক্লনা ইপিসেন্টর ওইদুনা রিক্টর স্কেলদা ৯.৩ য়ৌনা য়ুহা কন্না হাখিবদা অচৌবা সুনামি থোকখিবনি।

# ব্রাজিলগী কেপিটেলদা চথখিবা রাইওটশিংদা চেন্নবা মীওই ১৫০০ ফাগৎখ্রে

ব্রাজিলিয়া, জনুৱারী ১০ (এজেন্সী):
ব্রাজিলগী কেপিটেলদা লৈবা সুপ্রিম কোর্ট, কংগ্রেস অমসুং প্রসিদেন্সিএল পেলেসতা থোমজিন্দুনা হান্নগী প্রসিদেন্ট জায়ের বোলসোনারোগী সপোর্টরশিংনা চথখিবা শাথিরবা রাইওটশিংগা মরী লৈননা মীওই ১৫০০ ফাগৎখ্রে।

বি বি সিগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি ওথোরিটিশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মীওই ১২০০ রোম ফাখি। মদু রাইওট থোকখিবা মতুং শুপ্পগী পুং খরগী মতুং নোংমাইজিং নুমিত্তা মীওই ৩০০ দিটেন তৌখিবগী মথক্তনি।

জষ্টিস মিনিষ্টর ফ্লাবিয়ো দিনোগী মতুংইন্না প্রোটেষ্টরশিংবু কেপিটেলদা হোনবদা শীজিন্নখিবা বস ৪০ সু ফারে। নিংথৌকাবা নুমিত্তা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা ওফিসরশিংনা ব্রাজিলিয়াদা বোলসোনারোগী সপোর্টরশিংনা শেমগৎপা কেম্প অমসু শিদোকখি। মদু কুমজা ২০২২ গী ওক্তোবরদা প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সন পাঙথোকখিবা মতমদুদগী লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা আর্মি বেরেকশিংগী মমাঙদা শেমগৎখিবা কেম্পশিংগী মনুংদা অমনি।



নোংমাইজিং নুমিৎকী ভাইওলেন্স অদু লুই ইনাসিও লূলাদা সিলভানা ৱাশক লৌখিবা মতুং চয়োল অমা চপ চানা কান্নরগা থোকখিবনি। কুমজা ২০০৩ গী জনুৱারী অমসুং কুমজা ২০১০ গী দিসেম্বরগী মরক্তা ব্রাজিলগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা লুলানা বোলসোনারোবু কুমজা ২০২২গী ওক্তোবর ৩১ দা পাঙথোকখিবা রন-ওফ ইলেক্সনদা ভোট খজিক্তমক হেন্দুনা মায়থীবা পীখিবনি।

ব্রাজিলগী ফ্লেগ মচুশিং ওইরিবা য়েল্লো অমসুং গ্রিনগী ফুরিৎশিং লিৎপা প্রোটেষ্টরশিং অদুনা সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক অসিগী মরু ওইবা দিমোক্রেটিক ইন্সটিট্যুসনশিং লৈরিবা কেপিটেল ব্রাজিলিয়াগী বিল্ডিং কয়া থুগায়বা অমদি পব্লিক অমসুং প্রাইভেট প্রোপর্টিশিং মাঙহন তাকহনখিবনি।

নেসনেল ফ্লেগনা মশাদা য়োম্লবা দিমোন্সট্রেটরশিং অদুনা প্রসিদেন্সিএল পেলেস কোয়শিনখিবগা লোয়ননা মখোয়বু তানখায়নবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস কাপখি। ভাইওলেন্স অদুনা মরম ওইদুনা প্রসিদেন্সিএল পেলেস বিল্ডিংগী গ্রাউন্দ ফ্লোরগী থোঙনাও খুদিংমক পাক শন্না কায়বদগী তঙাই ফদনা ক্রুশিংনা গ্লাস পেন খুদিংমক লৌথোক্তুনা অনৌবা গ্লাস পেনশিংনা শীনখি।

প্রসিদেন্সিএল পেলেসকী মপানদা লৈবা কোবলষ্টোন পেভমেন্টসু রাইওট অদুদা অমাঙ অতা থোকপা উখি। নক্লবা কংগ্রেস বিল্ডিংদা হাই প্রোফাইল পিছ কয়া য়াওনা আর্টকী মমল য়াম্লবা পোৎশক কয়া রাইওটরশিংনা অমাঙ অতা থোকহনখি। লুলা অমসুং কংগ্রেসকী হেদশিং অমদি সুপ্রিম কোর্টনা টেররিষ্টকী থবক থৌওংশিং অমদি ক্রিমিনেল ওইবা মওংদা চথরকখিবা অমসুং কূ চথবা পাম্বগী মওংদা পব্লিক প্রোপর্টিশিংদা টার্গেট তৌখিবা ভাইওলেন্স অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি। ভাইওলেন্স অদুগা মরী লৈননা ব্রাজিলিয়াগী গভর্ণর ইভানেস রোচা সুপ্রিম কোর্টনা নুমিৎ ৯০ নি মফমদগী সস্পেন্দ তৌখ্রবনি।

# পাকিষ্টানগী ফ্লদ রিকোভরিদা দোল্লর বিলিন ৯ মতেং পাঙগনি হায়না লৈবাকশিংনা থাজবা পীখ্রে



জিনিভা, জনুৱারী ১০ (এজেন্সী):
হৌখিবা চহীদা পাকিষ্টানদা থোকখিবা শাথিরবা ঈশিং ঈচাওনা মাঙ তাকহনখিবশিং অদুবু নৌনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা মালেমগী লৈবাক কয়ানা দোল্লর বিলিয়ন ৯ হেন্না মতেং পাঙগনি হায়না থাজবা পীরে হায়না য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুএন চীফনা ৱাফম অসি ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স ওন ক্লাইমেট রিজিলিয়ন্টকী কনফরেন্স লোইরবা মতুংদা ফোঙদোকখিবনি। কনফরেন্স অদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্ট অমসুং য়ুএননা পুন্না হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোকখিবনি।

ত্বিট অমদা সেক্রেটরি জেনরেলনা হায়খিবদা ঙসিগী কনফরেন্স অদুদা লৈবাক কয়ানা পাকিষ্টানগী ফ্লদ রিকোভরিশিংদা মতেং পাঙগনি হায়না থাজবা পীখ্রবা শেনফমশিং অদু দোল্লর বিলিয়ন মাপন হেল্লি। অসুম্না মহৌশাগী ওইবা খুদোংথীবা থৌদোক্লা মরম ওইদুনা অৱাবা নঙলবা লৈবাক অমবু মতেং পাঙবগীদমক ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিবু ঐখোয়না থাগৎলি।

জিনিভাদা প্রেস কনফরেন্স অমদা মহাক্লা হায়খি, ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা পাকিষ্টাননা মায়োক্লরিবা অৱাবদা শরুক য়াদুনা লৈবাক অসিগী নৌনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা সপোর্ট পীগদবনি। কনাগুম্বশিংনা ক্লাইমেটনা থোকহনবা মীশি মীনাশিং অমদি অমাঙ অতাশিংগী মতাংদা চিংনবা লৈরবদি মখোয় পাকিষ্টানদা চৎতুনা মমিৎনা য়েংজবা য়াগনি। তশেংনমক ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা পাক শন্না মীশি মীনা অমদি অমাঙ অতা কয়া থোকখ্রবনি হায়না গুটরেজনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২২ গী কালেনগী মতমদা নোং কন্না চুবদগী লৈবাক অসিগী তুরেল কয়া ঈমায় পাথোকখিবগা লোয়ননা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা সিটি, টাউন অমদি খুঙ্গং কয়া পাক্তক্লনা ঈশিং ঈচাও থোকখি। ওফিসল দেটাগী মতুং ইন্না ঈচাওশিং অদুনা পাকিষ্টানগী মীওই মিলিয়ন ৩৩ দা চৈথেং পীখি। পুন্না মীওই ১৭৩০ হেন্না শিখিবগা লোয়ননা য়ুম মিলিয়ন ২ রোমসু অমাঙ অতা থোকখি।

# বৃটিস নুপা অনী ইষ্টর্ন দোনেটস্ক রিজনদা মাঙখ্রে: য়ুক্রেন পুলিস

কিভ, জনুৱারী ১০ (এজেন্সী):
ইষ্টর্ন রিজন দোনেটস্ক রিজনদা ভোলুন্টিয়রশিং ওইনা থবক তৌবা বৃটিস নুপা অনী থীবা খঙখিদ্রে হায়না য়ুক্রেনিয়ন পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।



পুলিসকী মতুং ইন্না অন্দ্রু বেকচো (৪৮) অমসুং কৃষ্টোফর পেরি (২৮) হায়রিবা মীওই অনী অসি মমাঙদা ইকোন কোন্না জনুৱারী ৬ তা লান কন্না শোক্লরিবা সোলেদাট টাউন তন্না চৎপা উনখি। ওইরক্লিবা ফিভম অদুগা মরী লৈননা বৃটিস ফোরেন ওফিসনা হায়খ্রে, মদুদি ওফিস অসিনা য়ুক্রেনদা মাঙখ্রবা বৃটিস নুপা অনী অদুগী ইমুংশিংদা সপোর্ট পীরি।

ওফিস অসিনা হৌজিক হৌজিক তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদা এটেক কয়া চথরিবা ওইবনা য়ুক্রেনদা চৎতনবসু বৃটিস সিটিজনশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

ফোরেন ওফিসনা হায়খি, মদুদি হৌজিক হৌজিক য়ুক্রেনদা মীশি মীনা কয়া থোক্লকপা য়াবগী থাঙ্গৈশেংবা রিস্ক লৈরে। হৌজিকসু মখা তানা য়ুক্রেনদা লৈরিবা বৃটিস নেসনেলশিংনা খুদক্তা লৈবাক অসি থাদোক্কদবনি। বাকমুট সিটিগী পুলিস দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা জনুৱারী ৭কী নুংথিল পুং ৫.১৫ রোম তাবা মতমদা মখোয়না মী মাঙখিবগী রিপোর্ট অমা ফঙখি অমসুং নোংমাইজিং নুমিত্তা মীওই অনী কদায়দা লৈবগে হায়বদু খঙনবা হোৎনবদা মতেং ওইগদবা ইনফোর্মেসন পীরক্লনবা আপিল তৌখি।

চৈরকসিদা বেকসোগী অহল লমনশিংনা মেদিয়াদা ষ্টেটমেন্ট অমা ইস্যু তৌরদুনা মখোয়না মহাকপু য়াম্না নুংশিজৈ অমসুং চিঙ্গাক অমদি হিদাক লাংথকশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা অমদি অহল ওইরবশিংবু লানফমগা নক্লবা মফমদগী শাফগদবা মফমশিংদগী হোংদোকপদা মহাক্লা তৌখিবা থবকশিং অদুগীদমক্তা অদুক্কী মতিক চাওথোকচৈ হায়খি।

মমাঙগী খৃষ্টমাসতা পেরিনা বি বি সিগী ইন্টরভিয়ু অমদা মহাক অৱাবা নঙলবা মীওই কয়া গাড়ী থৌদুনা মতেং পাঙখি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্লা কোনৱালগী ট্রুরোদগী য়ুক্রেনদা চৎতুনা হ্যুমেনিটরিয়ন থবক্তা চাওনা শরুক য়াখি। ইনৌ নৌনা হন্দক্তা মহাক্লা বাকমুটতা লৈরিবা অহলশিং য়াওনা মীওই কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকপদা মতেং পাঙখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা বি বি সিদা ফোঙদোকখিবদা মহাক্লা ফ্রন্ট লাইনকা নক্লনা লৈরিঙৈদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা লেপ্তুনা এয়র রেইদ অমদি মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং চথরকখি অমদি মহাক্কী মমায়দগী শুপ্পগী মিটর তরারোমদমক লাপ্পা দ্রোন অমা পায়রকপসু থেংনখি হায়না ফোঙদোকখি।

পেরিনা মহাক্কী ওনলাইন ক্রাউদ ফন্দিং পেজতা গাড়ী শেম্বা, ফ্যুএল অমসুং ইক্বিপমেন্ট লাংনবগীদমক শেল খোমগৎনবা হোৎনখি হায়নসু ইখি। অরোইবদা মহাক্লা বৃটেনদগী দোনেটস্ক রিজনদা চত্তুনা তৌরিবশিং অদু লানগী চৈথেং নঙলিবা য়ুক্রেনিয়ন অহলশিং অমদি অঙাংশিং য়াওনা অৱাবা তারবা ইমুংশিংবু ফ্রন্ট লাইনদগী শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকপীনবগীদমক্তনি হায়না পনখি।

# কুমজা ২০২২ দা কম্বোদিয়াগী অপুনবা এক্সপোর্ট চাদা ১৬.৪ হেনগৎখি

নোমপেন, জনুৱারী ১০ (এজেন্সী):
কুমজা ২০২২ দা কম্বোদিয়ানা দোল্লর বিলিয়ন ২২.৪৮ কী পোথোকশিং এক্সপোর্ট তৌখিবা শেনফম দোল্লর বিলিয়ন ১৯.৩ দগী চাদা ১৬.৪ রোম হেনগৎখি হায়না রিপোর্ট অমনা হায়রি।

জেনরেল দিপার্টমেন্ট ওফ কষ্টমস এন্দ এক্সাইসনা ফোঙবা রিপোর্ট অদুনা হায়রিবদি লৈবাক অসিনা এক্সপোর্ট তৌখিবা মরু ওইবা পোথোকশিং অদুগী মনুংদা এপারেল, ফুটৱ্যের, ট্রাভেল গুদস, বাই সাইকল অমদি চেঙ, রব্বর, লফোই, হৈনৌনচিংবা য়াওবা এগ্রিকলচরেল আইটেম কয়া য়াওখি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিগী এক্সপোর্টকী মরু ওইবা পন্থুং মঙাদি য়ুএস, ভেটনাম, জপান, চাইনা অমসুং কানাদানি।

চৈরকসিদা কিংদম অসিনা কুমজা ২০২২ দা পুন্না দোল্লর বিলিয়ন ২৯.৯৪ গী পোথোকশিং ইম্পোর্ট তৌদুনা মমাঙগী চহীদা ইম্পোর্ট তৌখিবা অপুনবা শেনফম দোল্লর বিলিয়ন ২৮.৭ দগী চাদা ৪.৩ রোম হেনগৎখি। লৈবাক অসিনা ইম্পোর্ট তৌখিবা মরু ওইবা আইটেমশিংগী মনুংদা ওইল অমসুং গ্যাস, ফি, রো মেটরেলশিং, খোঙউপ অমসুং লম চৎপদা শীজিন্নবা পোৎশকশিং, গাড়ী, মেছিন্নরি, ইলেক্ট্রোনিক এপ্লায়েন্সশিং অমদি কঞ্জ্যুম্মিং প্রদক্টশিং য়াওরি।

মিনিষ্ট্রি ওফ কমর্সকী অন্দর সেক্রেটরিএট পেন সোবিজিটনা হায়খি, মদুদি রিজনেল কম্প্রিহেন্সিব ইকনোমিক পার্টনরশিপ (আর সি ই পি) এগ্রিমেন্ট অমসুং কম্বোদিয়া-চাইনা ফ্রি ট্রেদ এগ্রিমেন্ট (সি সি এফ টি এ) না লৈবাক অদুগী লল্লোন ইতিক্কী গ্রোঠতা ইনোৎ চাওনা হাপখি।

সোবিজিটনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০২২ গী জনুৱারী ১ দগী চৎনবা হৌখিবা এগ্রিমেন্ট অনী অদু টেরিফ কেন্সেসনগা লোয়ননা কম্বোদিয়াবু হেন্না চাওবা মার্কেটকী খুদোংচাবা ফংহনবনা কিংদম অসিদা য়াম্না কান্নহল্লি।

# হজ চৎপশিংগী মশিং কোভিদ লাইচৎ মমাঙগী লেভেল য়ৌহন্নবা থৌরাং তৌরি

রিয়ার্দ, জনুৱারী ১০ (এজেন্সী):
লাক্কদৌরিবা হজকী সিজনদা লাইফম কোয়বা মীওইশিংগী মশিং কোভিদ ১৯ পেন্দামিক মমাঙদা লৈখিবা লেভেল অদুদা হঞ্জিল্লক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না সাউদি অরাবিয়ানা লাউথোকখ্রে।

মিনিষ্টর ওফ হজ এন্দ কুমরা টৌরিফ অল-রাবিয়ানা রিয়ার্দতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, মদুদি হজ চৎপশিংগী মশিং চহীগী লিমিট লৈতনা পেন্দামিক মমাঙদা লৈখিবা মশিংগী লেভেল অমুক য়ৌরক্লবা থৌরাং লৌখৎলে।

মহাক্লা ৱাফম অসি জেদাদা পাঙথোকখিবা হজ অমসুং উমরা সার্ভিসেসকী ওইবা নুমিৎ মরিনিগী কনফরেন্স-কম-একজিবিসন অমা ওইরিবা এক্সপো হজ হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখিবনি। এক্সপো হজ অদু শগোলশেল নুমিৎ ফাওবা পাঙথোক্কদবনি।

মিনিষ্টর অসিনা মখা তারদুনা উমরা পাঙথোক্লিবশিংগী ইন্সুরেন্স কোষ্ট চাদা ৬৩ হন্থহল্লগনি অমসুং হজ চৎপশিংগী ওইনা চাদা ৭৩ হন্থহল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। কুমজা ২০২২ গী হজ সিজন অসি ২০২০ গী অঙনবা শরুক্তা কোভিদ ১৯ পেন্দামিক হৌরকখিবা মতুংদা মপানগী হজ চৎপশিংবু অহানবা ওইনা মাকাদা লাক্তুনা লাইফম কোয়বগী খুদোংচাবা পীবা অহানবনি।

মমাঙগী সিজন অনীদদি শুপ্পগী লৈবাক মনুংগী ওইবা হজ চৎপশিংদমক খুদোংচাবা অসি পীখি। কুমজা ২০২১ দা ভেক্সিন মপুং ফানা কাপ্লবা মীওই লিশিং ৬০ রোম্না লাইফম কোয়বদা শরুক য়াখি অমসুং কুমজা ২০২০ দনা মীওই লিশিং অমরোম্না শরুক য়াখি।

মমাঙগী হজকী মতুংদা সাউদি অরাবিয়ানা উমরা ভিজাগী মতম নুমিৎ ৩০ নিদগী ৯০ নিদা শাংদোকখিবগা লোয়ননা ভিজা পায়রিবা মীওইশিং কিংদম অসিগী মফম পুম্নমক্তা চৎপগী খুদোংচাবসু পীখি।

# ফাইটর জেট ৮৮ লৈনবগী এগ্রিমেন্ট ফাইনেলাইজ তৌখ্রে

ওটাৱা, জনুৱারী ১০ (এজেন্সী):
এফ-৩৫ ফাইটর জেট ৮৮ লৈননবা য়ুএস অমসুং লোকহিদ মার্টিনগা ট্রাক অমসুং ৱাইদনিগা এগ্রিমেন্ট অমা ফাইনেলাইজ তৌনরে হায়না কানাদিয়ন গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

পব্লিক সার্ভিসেস এন্দ প্রোক্যুমেন্ট কানাদানা ইস্যু তৌখিবা ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, এয়রক্রাফট অদুগী অহানবা দেলিভরিশিং কুমজা ২০২৬ তা হৌরবা য়াই অমসুং কুমজা ২০৩২ অমসুং ২০৩৪ গী মরক্তা মপুং ফানা ওপরেস্নেল ওইরবা ফ্লিট অমা লৈরগনি।

কানাদিয়ন দোল্লর বিলিয়ন ১৯ (য়ুএস দোল্লর বিলিয়ন ১৫) চঙগদবা লৈন-য়োনবগী দিল অসি হৌখিবা চহী ৩০ গী মতমদা রোয়েল কানাদিয়ন এয়রফোর্সকী খ্বাইদগী চাওবা ইনভেষ্টমেন্টনি। এগ্রিমেন্ট অদুদা মরী লৈনবা ইক্বিপমেন্ট, সষ্টেনমেন্ট সেট-অপ অমসুং সার্ভিসেসকা লোয়ননা ফাইটর স্কদ্রোন ফেসিলিটিশিংগী কন্সট্রক্সন য়াওরি। য়ুএসকী দিফেন্সকী খুৎলায় কম্পেনিদগী এদভান্স টেক্নোলোজিগী এয়রক্রাফট মশিং য়াম্না লৈগদৌরিবদু অচৌবা প্রোসেস অমগী মতুং ইন্না চথুগদৌরিবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।